# যুক্রেননা ক্রিমিয়াদা লৈবা এয়র বেজতা এটেক তৌদুনা রসিয়াগী ৱারপ্লেন মাপন থুগায়খ্রে



কিভ, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):

যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা চথখিবা এটেক্তা ক্রিমিয়াদা লৈবা এয়র বেজ অমদা পরিং নাইনা পোকখায়খিবগা লোয়ননা রসিয়াগী ৱার প্লেন মাপন মাঙ তাকখ্রে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কিভনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ব্লাষ্টশিং অদুদা এয়র ক্রাফট মাঙ তাকখি নত্ত্রগা এয়র বেজ অদুদা এটেক চখ্থরকখিবগী ৱাফম রসিয়াগী মায়কৈদগী রিজেক্ট তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং সেটলাইট ফোটোশিংনদি য়ামদ্রবদা বেজ অদুদা লৈরিবা ফাইটর প্লেন তরেৎ মপুং ফানা মাঙহন তাকহনবগা লোয়ননা অতৈ খরসু কায়রম্বা য়াবগী মওংদা উৎখি।

যুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা এয়র বেজ অদুদা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা হৌনবী মতুং ইন্না ওফিসল ওইনা ক্লেম তৌদ্রবসু সকি এয়র বেজ অদুদা চেকশিনহৌদবদগী মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমনা মৈ হৌহনবদগী পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু থোক্লকখিবনি হায়বা রসিয়াগী এক্সপ্লেনেসন অদুবু করেম্নখি।

এনেলিষ্টশিংনসু রসিয়ন এক্সপ্লেনেসন অদু মরম চাদে অমসুং যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা এয়র বেজ অদুদা এন্টি-শিপ মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌখিবা মাল্লি হায়খি। করিগুম্বা যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা থাঙ্গৈশেংনা ক্রিমিয়াদা লৈবা এয়র বেজ অদুদা এটেক তৌদুনা মদুদা লৈরিবা প্লেন কয়া মাঙহন তাকহনখিবা ওইরবদি মদু পেনিন্সুলা অদুদা লৈবা রসিয়াগী মিলিটরি সাইট অদুদা চথবা অহানবা মরু ওইবা এটেকনি হায়না লৌগনি।

ক্রিমিয়ন পেনিন্সুলা অসি কুমজা ২০১৪ দা ক্রেমলিননা যুক্রেনদগী লৌশিনখিবনি। রসিয়ানা সকি শীজিন্নদুনা মমাঙদা যুক্রেনগী খা থংবা লমদমদা লৈরিবা টার্গেটশিংদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথবা লৈখ্রবনি।

নাকল অনীমক্কী ওইনা ক্রিমিয়া অসি ষ্ট্রেটেজিক অমসুং সিম্বোলিক সিগ্নিফিকেন্স চাওনা লৈবা মফমনি হায়না লৌনৈ। যুক্রেননা ক্রিমিয়াবু রসিয়াগী শরুক ওইনা রিককনাইজ তৌগদবনি হায়বসি লান অদুবু লোইশিন্নবা ক্রেমলিনগী মায়কৈদগী থল্লিবা মরু ওইবা কন্দিসনশিংগী মনুংদা অমনি।

অমরোমদা, যুক্রেননা রসিয়নশিংবু পেনিন্সুলা অদুদগী অমদি অতৈ ওক্যুপাইদ টেরিটরিশিংদগী তকথোক্কনি হায়না ৱাশক্লি। মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ১৪ অশোক অপন নঙহনখিবা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুনা অনকপা সমুদ্র মপানগী এরিয়া পুম্বা মৈখুনা কোয়শিলহনখিবগা লোয়ননা টুরিষ্টশিং মীপায়দুনা চেন্নখি।

ভিদিও পোষ্ট খরদা বিল্ডিং খরগী থোঙনাওশিং মাঙ তাকপা অমদি ৱালনচিংবশিং হোবগী শক্তম উবা ফঙখি। ক্রিমিয়াগী রিজনেল লিদর সর্গি অশিওনোবনা ফোঙদোকখিবদা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং কয়া মাঙ তাকখ্রবা মতুংদা রেসিদেন্ট ২৫০ রোম টেম্পররি হাউসিংদা লৈহনখ্রে।

পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুনা পেনিন্সুলা অদুগী হোটেলশিং অমদি সমুদ্র মপানগী লমশিংদা থোইদোক্ল। অমাঙ অতা থোকখিবা লৈতে হায়না রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, পেনিন্সুলা অসি রসিয়নশিংনা পাম্নবা মরু ওইবা লম কোয়ফম অমনি। তৌইগুম্বসুং সোসল মেদিয়াগী ভিদিও পোষ্ট খরদা রসিয়ন টুরিষ্টশিংনা ময়ুমলোম পাঙনা লন্থীদা কার তোংদুনা তপ্পা তপ্পা চৎপা উৎখি।

# গ্রিসকী ঈথৎ মনাক্তা হি লাকখিবদগী মীওই ৩০ দগী ৫০ রোম থীবা খঙখিদ্রে



এথেন্স, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):

গ্রিসকী খা নোংপোক থংবা ঈথৎ অমগা নক্লনা সমুদ্রগী অকনবা ঈথৎ ঈপোম মরক্তা হি অমা লাকখিবদা থীবা খঙখিদ্রবা মাইগ্রেন্ট ৩০ দগী ৫০ রোমবু থীবগী থবক চখ্থরকপা নুমিৎ নীনি শুরে হায়না গ্রিক ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টর্কিগী অন্টালিয়া কৌবা সমুদ্র খোঙবান অমগী মফম অমদগী মাইগ্রেন্টশিং অদু ইটালি তন্না পুখিবা হি অদু য়ুমশকৈশগী অঙনবদা শাথিরবা সমুদ্রগী ঈথক ঈপোম মরক্তা লূপখিবনি। মদুদা থীবা খঙখিদ্রবা মীওই ৩০ দগী ৫০ রোম গ্রিক নেভিগী ভেসেল অমদি অনকপদা লৈবা মার্চেন্ট জহাজ অহুম্না শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা লেপ্তুনা থী হুমখি। গ্রিক কোষ্ট গার্দ অমনা ফোঙদোরকখিবদা অফঘানিষ্টান, ইরান অমসুং ইরাক্তগী ওইবা মীওই ২৯ হি অদুনা কাথপাথোস ঈথৎকী খা নোংপোকলোমদা নোটিকেল মাইল ৩৩ রোম লাপ্পা মফমদা লূপখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা রেস্ক্যু তৌখিবদগী মখা তানা মদুদা হিংহৌবা মীওইশিং ফঙবা লৈত্রি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবশিংনা ওথোরিটিশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হি অদুদা পুন্না মীওই ৬০ দগী ৮০ রোম তোংলকখি।

গ্রিক ওথোরিটিশিংনা হায়রি, মদুদি সমুদ্রগী অকনবা ঈথক ঈপোম মরক্তা হি লাক্লিবদু মালেমগী ওইবা ঈশিংগী শরুক্তনি। তৌইগুম্বসুং রেস্ক্যুগী থবক্তি গ্রিক ওথোরিটিশিংনা পাঙথোকপা য়াবা মফম ওই। লাইবক থীরবা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওই অনী এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অমনা সমুদ্রদগী লৌখৎখি অমসুং কাথপাথোসতা পুখি। অতৈ মীওই ২৭ অদুনা মার্চেন্ট ভেসেল অমনা লৌখৎলগা মখোয়না য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিলদা থুংখিবা মফম ওইরিবা কোষ্ট ঈথৎতা পুখি।

কোষ্ট গার্দনা রিলিজ তৌখিবা ভিদিওদা মীওইশিং অদুবু মার্চেন্ট জহাজ অদুদগী কোষ্ট গার্দকী হি অমদা ট্রান্সফর তৌবা অমদি মদুগী তুংদা মখোয়বু কোষ্টতা পুবগী শক্তম উখি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না হি অদু করিগীদমক্তা লূপখিবনো হায়বগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমদ্রবসু এরিয়া অদুগী নোংচীংগী ফিভম ফৎখিদবগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎ শিৎখি অমদি ঈথক ঈপোম কন্না হৌখি। মিদ্দল ইষ্ট, এসিয়া অমদি অফ্রিকাদগী য়ুরোপতা চঙজফম থীনবগী খ্বাইদগী তোইনা শীজিন্নবা সি রুট অদু টর্কিদগী এজেন্সিদা লৈবা গ্রিসকী অনকপা ঈথৎশিং য়ৌরিবনি।

# গোটাবয়া রাজাপক্সা সিঙ্গাপোরদগী থাইলেন্দ পাঙখ্রে



বেঙ্গোক, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাগী মফম তাখ্রবা প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা মহাক্কী মতম খরগী ওইবা ভিজিট পাস শগোলশেল নুমিত্তা মতম লোইখিবদগী সিঙ্গাপোরদগী থাইলেন্দ পাঙখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হৌজিক লৈরিবা শ্রী লঙ্কাগী গভর্ণমেন্টনা মহাকপু থাইলেন্দদা লাকপা য়াহন্নবা হায়জরক্লে হায়না থাই ওথোরিটিশিংনা কনফার্ম তৌরবা মতুংদা হান্নগী শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট অসিনা সিঙ্গপোরদগী ফ্লাইট অমা তোংলগা বেঙ্কোক পাঙখি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং খরগী পাউখুম পীরদুনা সিঙ্গাপোরগী ইম্মিগ্রেসন এন্দ চেক পোইন্টস ওথোরিটিনা হায়খি, মদুদি রাজপক্সা শগোলশেল নুমিত্তা সিঙ্গাপোর থাদোকখ্রে। মশাগী চহী ৭৩ শুরবা শ্রী লঙ্কাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি হ্যুমেনিটরিয়ন মরমশিংদগী থাইলেন্দদা মতম খরগী খোঙচৎতা লাকপগী ৱাফম য়ুমশকৈশ নুমিত্তা থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুদচান্দ-ও-চানা কনফার্ম তৌখি অমদি রাজপক্সানা অতোপ্পা লৈবাক অমদা তুং কোইনা চঙজফম লৌদুনা লৈবা য়ানবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা কিংদম অদুদা পোলিটিকেল এক্তিভিটি অমত্তা পাঙথোকপা তৌরোই হায়না থাজবা পীরকখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, জুলাই ১৩ দা মালদিবসতা পাইরুরবা মতুংদা রজপক্সা মফম অদুদগী সিঙ্গাপোরদা অমুক চেনখিবনি। লৈবাক অদুগী শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিসকী মায়োক্তা থা কয়া চুপ্পা প্রোটেষ্ট চখ্থরকখিবা মতুং মহাক্লা সিঙ্গাপোর য়ৌবগা মথংগী নুমিত্তা রিজাইন তৌরগনি হায়না লাউথোকখি।

বেঙ্কোক পোষ্ট পাউচেনা প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুদকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি, মদুদি মসি হ্যুমেনিটরিয়ন ইস্যু অমনি। মহাক্লা লৈগদৌরিবসি মতম খরগীনি হায়না ঐখোয়না মরী লৈনবা পুম্নমক্তা থাজবা পীরি। মহাক থাইলেন্দদা পোলিটিকেল এক্তিভিটি অমত্তা চথহল্লোই।

লৈবাক অসিদা লৈরগা মহাক্লা মতম চুপ্পগী ওইনা চঙজফম লৌবা য়াবা অতোপ্পা লৈবাক অমা থিজগদবনি। থাইলেন্দগী ফোরেন মিনিষ্টর দোন প্রমুট ৱিননাইনা হায়খি, মদুদি হৌজিকসু দিপ্লোমেটিক পাসপোর্ট হোল্ডর অমা ওইদুনা লৈবনা মফম তারবা প্রসিদেন্ট অসি থাইলেন্দদা নুমিৎ ৯০ নি লৈবা য়াগনি।

শ্রী লঙ্কান গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিবু থিংলকপা লৈতে। থাই গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী লৈফম চাফমশিংগা মরী লৈননা এরেঞ্জমেন্ট অমত্তা তৌরোই। শ্রী লঙ্কাগী এক্তিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা মহাক্কী মখাদা থবক তৌখিবা ওইবনা খোঙচৎ অসিনা বেঙ্কোক অমসুং কলম্বোগী মরক্তা কনফ্লিক্ট অমত্তা লাকহল্লোই হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# চাইনানা নেপালদা দোল্লর মিলিয়ন ১৮১ গী মতেং পীরগনি



কাঠমান্দু, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):

চাইনানা চহী অসিদা নেপালদা য়ুৱান মিলিয়ন ৮০০ (দোল্লর মিলিয়ন ১৮১) গী মতেং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ৱাফম অসি চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কিংদাওদা নেপালগী মহাক্কী লেঙমান্নবা নরায়ন খটকাগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লাউথোকখিবনি। চাইনাগী ষ্টেট কাউন্সিল্লরসু ওইরিবা ৱাংনা ইনভাইট তৌবদগী নেপালগী ফোরেন মিনিষ্টর খটকা চাইনাদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা লৈরিবনি।

খোঙচৎ অদু হৌখিবা চয়োলদা য়ুএস হাওস স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা মশানা লৈঙাকচবা ঈথৎ টাইৱানদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদগী চাইনা অমসুং ঈথৎ অসিগগী মরক্তা উংখৎনবা লৈরিঙৈ মরক্তা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা খটকানা নেপালগী ওইনদি ৱান চাইনা পোলিসি অসিবু পুক্লিং অনী লোমদনা শৌগৎলি হায়দুনা নৌহৌননা পনখি অমদি বৈজিংগী মায়োক্তা নেপালগী লমগী শরুক অমত্তা শীজিন্নবা য়াহল্লোই হায়না থাজবা পীখি। উন্নবা অদুদা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংনা নৌহৌননা হায়খি, মদুদি চাইনানা কন্দিসন থমদনা নেপালগী সোভরেন্টি, নিংতম্বা অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি লেপ্তুনা শৌগৎলি।

কাঠমান্দুদা লৈরিবা নেপাল্লি গভর্ণমেন্টগী প্রাইওরিটি মতুং ইন্না পায়খৎলিবা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক পুম্নমক্তা বৈজিংনা মতেং পাংগনি হায়নসু ৱাংনা খটকাদা থাজবা পীখি। নেপালদা ইনৌ নৌনা শেল থুমগী মতেং পীবগী ৱাফমদা নত্তনা নাকল অনীনা অতৈ এগ্রিমেন্ট অমদি অন্দরষ্টেন্দিং কয়াসু পুরকখি। নেপালদা হৌজিক কেমিকেল ফর্টিলাইজর ফঙলক্তবগী শাথিরবা প্রোব্লেম অমা লৈরিবদু য়েংলগা চাইনানা লৈবাক অসিদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর পীবগী ৱাফম য়াখ্রে। ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি নেপালনা হায়জবদগী কেমিকেল ফর্টিলাইজর পীবগী ৱাফম অসি চাইনানা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা খন্নরগনি হায়না থাজবা পীবদা নত্তনা নেপালদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর প্লান্ট অমা লিংখৎনবগী ফিজিবিলিটি ষ্টদি তৌরগনি হায়নসু থাজবা পীরে।

# মিলিটরি দ্রিলস পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা য়ুকেগী ফোরেন সেক্রেটরিনা চাইনিজ এম্বেসেদর কৌখৎখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):

বৈজিংনা টাইৱানগী অকোয়বদা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা য়ুকেগী ফোরেন সেক্রেটরি লিস ট্রসনা মহাক্কী ওফিসতা য়ুকেদা লৈবা চাইনাগী এম্বেসেদর জেং জেগ্বাং সমন তৌনবা খঙহনখ্রে।

য়ুএস হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা হৌখিবা থাদা টাইপৈদা খোঙচৎ অমা চৎখিবগী পাউখুম ওইনা টাইৱানগী অকোয়বদা চখ্থরক্লিবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ লোইশিল্লে হায়না বৈজিংনা লাউথোরকখিবগা ইরোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

কঞ্জার্বেটিব পার্টিগী লিদরশিপ অমসুং পিএমগী ফমগীদমক কন্টেষ্ট তৌরিবা ট্রসনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্লা ওফিসারশিংদা চাইনিজ এম্বেসেদর অদুবু কৌখৎতুনা মহাক্কী লৈবাক্কী এক্সনশিং অদুবু এক্সপ্লেন তৌহন্নবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোরেন সেক্রেটরি ট্রসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হৌখিবা থা খরা অসিদা ঐখোয়না বৈজিংগী অকন অরিং শীংবগী থবক হেনগৎলকপা উবা ফঙলি। বৈজিংগী থৌওং অসিনা লমদম অদুগী মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভমদা অকিবা পীরি।

য়ুনাইটেদ কিংদম্না চাইনাদা খেন্নবা ৱাফম পুম্নমক কিহনবা নত্ত্রগা ফোর্স শীজিন্নবা তৌদনা ইংনা চিক্লা লৈখায় তাথোক্লবা তকশিল্লি।

ফোরেন, কম্মন ৱেল্‌ঠ এন্দ দিভলপমেন্ট ওফিস (এফসিদিও) না হায়খি, মদুদি পেলোসিগী খোঙচৎকা মরী লৈননা বৈজিংনা টাইৱানগী মায়োক্তা অকন অরিং শিংবা অমদি উংখৎনবা হেনগৎহনগদবা খোঙথাং কয়া লৌখৎখিবগা মরী লৈননা জেংবু সমন তৌখিবনি। পনবা য়াবদি, পিএলএ ইষ্টর্ন থিয়েটর কম্মান্দনা টাইৱান ষ্ট্রেটতা মখোয় মতম অমদা হেক্তা লান শোক্লবা য়াবগী ফিভমদা পেট্রোল্লিং চখ্থগনি হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী ‘বিটলস’ টেরর সেলগী মরীশুবা মেম্বর য়ুনাইটেদ কিংদমদগী ফারে

লন্দন, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):

বিটলস হায়না খঙনবা ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) কী টেরর সেল অমগী মরিশুবা মেম্বরনি হায়বা মীওই অমা টেরর চার্জশিংদা য়ুকেদা ফারে হায়রি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মশাগী চহী ৩৮ শুরবা এনি দাবিস কৌবা মীওই অদু টর্কিদগী ফ্লাইট অমদা লাক্লগা লুতোন এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুং য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা ফাখিবনি।

এজেন্সিনা বিবিসিগী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়, মহাক টেররিজম এক্ট, ২০০০ গী সেক্সনশিং ১৫, ১৭ অমসুং ৫৭ গা মরী লৈনবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা ফাখিবনি। দাবিসপু মেট্রোপোলিটান পুলিসকী কাউন্টর টেররিজম কম্মান্দগী ওফিসারশিংনা ফাখি অমসুং সাউথ লন্দনদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা পুখি।

মহাক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা থল্লি। মহাক ৱাহং পাউহং চখ্থবদা দাবিসনা মহাক সেল অদুগী মেম্বর অমনি হায়বা ৱাফম অসি য়াখিদে। বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না বিটলস সেল হায়রিবসি ৱেষ্ট লন্দনদা চাওরকখিবা মেম্বর মরিনা শেম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH

DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI

MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY

1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L

REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR

HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

B.Sc./M.Sc.

Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM, → at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI

BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI

BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)

LUWANG EDUCATIONAL TRUST

Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East

7005683347 9856167106

THOUBAL BRANCH ADDRESS :

Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622

HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

**T.M.D. BRICK FARM**

Address: Opp. Khongjom Police Station

NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.00/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 10.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges: 2000 Brick, Rs. 800/- 1500 Brick Rs. 600/-

First Come First Serve

Contact No. 8119002731/7005658426

HL-P/3304/10,12,14,16,18,20,27,29,31 (July) 2,4,6,8,10,12 (Aug) Alt Days

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL**
**DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR**

**/ NOTICE**

Dated the 11st August, 2022

*No.1/1/Adm/2018-DMCA:* In continuation to the earlier notice dated 31st July, 2022, it is hereby notified to all the candidates who have been selected provisionally for admission to B.A. 1st Semester (Honours/ Regular Course) for the academic session 2022-2023 that the counselling session will be held on 16th and 17th August, 2022 in the premises of D.M. College of Arts, Imphal from 10 a.m. to 3 p.m. The details of the counselling can be had from the College notice board and College website.

**Sd/- Dr. Ch. Sheelaramani**
**Principal**
**D.M. College of Arts, Imphal**

HL-P/3655/12

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**/ NOTIFICATION**

Imphal, the 11th August, 2022

**No. Ex/11/Vol-VII/740:** In pursuance of convey approval letter of the Government of Manipur, Secretariat, Education (s) Department vide letter no. DAB-1/6/2022-EDN(S)-EDN(S) dt. 10/08/2022 on the subject of Compartmental Examination-2022-regd, it is hereby notified for information of all concerned that those candidates who appeared in full subjects in the H.S.L.C Examination 2022 but failed in 1 (one) or 2 (two) subjects only are eligible to appear in the upcoming H.S.L.C Compartmental Examination, 2022 as a one-time measure only because of the unprecedented COVID-19 situation.

Therefore, those candidates who failed in 1(one) or 2 (two) subjects and are desirous of appearing in the said examination can contact their respective Head Mistresses/Head Masters/ Principals of the Schools/Institutions for filling in Forms on or before 18.08.2022 by paying requisite examination fee of Rs. 2400/-

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**
**Secretary**

HL-P/3656/12

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT:LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS DEPARTMENT**

**/ CIRCULAR**

Imphal, the 10th August, 2022

No 7/8/2022-GA/L (efile No. GAP-1/9/2022-SEC-LAW) : In continuation of Advertisement vide Notification of even No. dated 15/07/2022 in respect of recruitment of post of Deputy Government Advocate (HC) issued by this Department, it is to further inform to all concerned that the document mentioned in SI. No. (3) in the application form regarding concerned Bar Association of High Court includes All Manipur Bar Association and Bar Council of Manipur.

**Sd/- Henry Alemo Francis**
**Deputy Secretary (Law)**
**Government of Manipur**

HL-B/7795/11,12

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL**
**DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR**

**/ NOTICE**

Dated the 11st August, 2022

*No.1/1/Adm/2018-DMCA:* In continuation to the earlier notice dated 31st July, 2022, it is hereby notified to all the candidates who have not been selected for admission to B.A, 1st Semester (Honours/Regular Course) for the academic session 2022-2023 may submit the application for filling up the vacant seats in the subjects / subject combinations mentioned below: **(1) Education Honours (2) Hindi Honours (3) Mathematics Honours (4) Philosophy Honours (5) Education, Economics (6) Sociology, Philosophy (7) Education-Mathematics/Manipuri/Hindi (8) Geography- Mathematics/ Manipuri/Hindi (9) English- Economics (10) History- Philosophy (11) Economics- Mathematics/Manipuri/Hindi (12) Political Science-Mathematics/ Manipuri/Hindi**.

The application should be submitted by the candidate (himself/herself) to the office of the undersigned on or before 3 p.m. of 18th July 2022. The selected candidates in the first selection list who have not attended the 1st counselling or who after counselling could not get admitted may also submit the application. The selection will be on the basis of the marks secured in the Common Entrance Test.

**Sd/- Dr. Ch. Sheelaramani**
**Principal**
**D.M. College of Arts, Imphal**

HL-P/3655/12